# চিনাগী ক্বিয়াও বিননা নুপাগী, জপানগী য়ামাগুচিনা নুপীগী কোরিয়া ওপনগী টাইটল লৌখ্রে




সিওল, ওক্টোবর ০২ :

চিনাগী মচিন তুমখৎলক্লিবা ষ্টার ক্বিয়াও বিননা মফম অসিদা চঞ্থরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন কোরিয়া ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সাউথ কোরিয়াগী ভেটরান সোন ৱান হোবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা অনসীদেদ প্লেয়র অমদি হৌজিক মেন'স সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ডনম্বর ৪১ শুবদা লৈরিবা অসিনা তরুকশুবা সীদ অমদি ৱর্ল্ডনম্বর নিপালশুবদা লৈরিবা সোনবু ২১-১১, ২১-২৩, ২১-৭ তা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইরবা মতুং ক্বিয়াওনা হায়খি, ঐহাক হরাউবনা থুক্নৎলে। ঐগী পুক্নিংদা ফাওরিবা নুংঙাইবা অসি করি ৱাহৈনা ফোঙদোক্কদবনো হায়বা ঐনা খঙদ্রে। ঐনা ঐখোয়গী সেনিয়রশিংনা শান্নবশিং য়েংলগা তমখি। ঐনা লিন দান অমদি চেন লোংগী খুৎশান্নশিং য়েংখি। মখোয় অনী অসি ঐগী মোদেলনি হায়না মহাক্না চাইনিজগী টোপ প্লেয়র অনীবু পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী সুপর ষ্টার লি য়োং দে অমদি মহাক্কী জুরা য়ু য়িওন-সিওংনা চাইনিজগী লম্বাবু মায়থীবা পীখি।

ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী সুপর ষ্টার লি য়োং দেনা ইন্টরনেসনেল মেচশিংদগী রিটয়ার্দ তৌখ্রে। সাউথ কোরিয়াগী দো অসিনা চাইনিজগী লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ু চেনবু ১৬-২১, ২২-২০, ২১-১৮ দা মিনিট ৮৫ চঙনা শান্নখিবা অদুদা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, চাইনিজগী লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেননা মমাঙগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স ওপন জপানগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেচ লোইরবা মতুং লিনা হায়খি, মসি য়াম্না অরুবা মেচ ওইখি। অদুবু ঐনা ঐগী ইন্টরনেসনেলগী কেরিয়র লোইশিনখিবদা নুংঙাইবা পোকই। ঐগী কেরিয়রগী অরোইবদা মায় পাক্তুনা লোইশিনবা ঙম্বসিদা হেন্না নুংঙাইহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

টাইটল ৪৩ রক লৌবা ঙমখ্রবা লিনা মালেসিয়াগী লেজেন্দ লি চোং ৱৈগী হেক মতুংদা খ্বাইদগী মায় পাক্লবা অনীশুবা সুপর সেরিজ বেদমিন্টনগী প্লেয়র ওইখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা ওলেম্পিক্কী মল্টিপল মেদলিষ্ট অসিনা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা মিক্স দবলসকী গোল্ড মেদল য়াওনা মেদলশিং লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী বেদমিন্টনগী পোষ্টর বোই অমা ওইবতা নত্তনা এসিয়াগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা প্লেয়র অমসু ওইখিবনি।

নুপীগী টুর্ণামেন্টদা জপানিজগী তরেৎশুবা সীদ অকানে য়ামাগুচিনা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি-হয়ুনবু ২০-২২, ২১-১৫, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। য়ামাগুচিনা অহানবগী গেমদা মতীং লৈনা শান্নখ্রবসু সাউথ কোরিয়াগী জি হয়ুনগী মখুৎতা ২০-২২ দা মায়থীখি। অদুবু মখা তাবা গেম অনীদা য়ামাগুচিনা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা মায়োক্নখিবা কোরিয়নবু নক্ষৎলগা ২১-১৫, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী দবলস ইভেন্টদা সাউথ কোরিয়ানা দোমিনেট তৌনা চৎখি। মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী জুং কয়ুং-ইয়ুন অমদি শিন সিয়ুং-চাননা চিনাগী জুরা লুও য়িং অমদি লুও য়ুবু ২১-১৩, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা নুপীগী দবলস টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলসতা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী জুরা কো সুং-হয়ুন অমদি কিম হা-নানা চিনাগী ঝেং সিৱৈ অমদি চে কিংচেনবু ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী অহানবা গেমদা সাউথ কোরিয়াগী জুরানা চাইনাগী দোবু লাকচনা থোইখিদুনা ২১-১৪ দা নক্ষৎখি। অনীশুবা গেমদসু কোরিয়ানা চাইনাগী জুরাবু ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি।

## পাকিস্তানবু কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকীদমক চেবাউ পীররোই

# ইন্দিয়ন বেদমিন্টন এসোসিএসন্না পাকিস্তান্দা শান্নগদবা বেদমিন্টন সেরিজ বোয়কোট তৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০২ :

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা ওফেন্সিব অমা চঙশিল্লিবা অসিবু সোলিদরিটি উৎপা ওইনা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা পাকিস্তান ইন্টরনেসনেল সেরিজবু বোয়কোট তৌনবা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) না ৱারেপ লৌখ্রে।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী প্রসিদেন্ট ডা. অখিলেশ দাস গুপ্তনা থাদোরকখিবা চেরোলদা হায়, ওক্টোবর ১৮ দগী ২১ ফাওবা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা বি দব্লিয়ু এফ ইন্টরনেসনেল সেরিজদা ইন্দিয়ন প্লেয়র অমত্তা শরুক য়াবা চৎলরোই। সেরিজ অসিদা শরুক য়াদনবগী লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি লৈবাক অনীগী হৌজিক ওইরিবা উংখৎনবা ফীভম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা ফীরেপ অদুবু সোলিদরিটি উৎপা ওইনা লৌখিবা ৱারেপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী কাউন্সিল মেম্বরশিং অমদি লৈবাক অসিগী বেদমিন্টনগী ফ্রেটর্নিটি অপুম্বগী তরপ্তুগী ঐখোয়না ওইরিবা ফীভম অসিবু লুম্না লৌবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ঐখোয়গী ফেল্লো সিটিজনশিংগী পুক্নিংদা ফাওরিবা অদুবু মতেং পাঙবা ওইনা ঐখোয়গী ফীরেপ লৌবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, হন্দক্তা উরি টেরর এটেক্তা ইন্দিয়াগী লান্মী ১৯ মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী মরীদা হেন্না শোকচিনহনখি অমদি বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরনা আই সি সি ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা গ্রুপ অমত্তদা পুনবা তৌহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পঞ্জাবতা লাক্লিবা নভেম্বর ৩ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপ্তা পাকিস্তানবু শরুক য়ানবগীদমক চেবাউ পীররোই।

তরুক্লক রন্নর-অপ তাখ্রবা পাকিস্তান টিমগীদমক ওর্গনাই-জরশিংনা সিক্যু-রিটিগী মতাংদা লুম্না লৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি পঞ্জাবকী কেবিনেট মিনিষ্টর সিকন্দর সিংহ মালুকানা হায়খি, এল ও সিদা ইন্দিয়ন আর্মিনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চঞ্থখিবদগী ওইরক্লিবা ফীভম্না মরম ওইদুনা নভেম্বর ৩ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ্তা পাকিস্তানবু চেবাউ পীদনবা ৱারেপ লৌখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# শোক্লবা অদাম লাল্লানা ইংলেন্দ ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাইয়রদা শরুক য়াররোই: জর্গেন ক্লোপ্প



লন্দন, ওক্টোবর ০২ :

মিদফিল্ড অদাম লাল্লানা মহাক্কী গ্রোইনদা শোকপদগী লাক্কদৌরিবা ইংলেন্দগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী মালটা অমদি স্লোভেনিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা মেচতা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না লিবরপুলগী মেনেজর জর্গেন ক্লোপ্পনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী২৮ শুরবা অসিনা সাম অল্লার্দাইসনা মেনেজর ওইনা থৌ পুরিঙৈ মনুংদা স্লোভাকিয়াগা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকপগী গোল চনখিবা অদামনা থাংজ নুমিৎতা লিবরপুলগা মায়োক্নদুনা স্বান্সি সিটিগা লিবরটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অদুগী ফার্ষ্ট হাফতা মশাগী গ্রোইনদা শোকখিবদগী মেচ অদুদগী লৌথোকখিবনি। মেচ অদু লিবরপুলনা ২-১ দা মায় পাকখি।

ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাইয়িং মেচকী ওক্টোবর ৮-দা শান্নগদবা প্লেদা মালটাগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নগনি। অদুগা ওক্টোবর ১১ দনা স্লোভেনিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

ক্লোপ্পনা ক্লব অসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা অদামনা শান্নবা ঙম্নবা কন্না হোৎনখিবদু অরেম্বদা তাখি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা মখোয় (লাল্লানা অমদি দেজান লভরেন) না নেসনেল টিমদা য়াওননবগী খুদোংচাবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয় অনীবু পিচতা পুরকপদা নুমিৎ ১৫ নৎত্রগা ১৬ ফাওবদি চঙখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মখা তানা ক্লোপ্পনা ফোঙদোকখি।

ইংলেন্দগী ক্যেরটেকর বোস গারেথ সাউথগেটনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইংলেন্দগী স্কাদ মেম্বরশিংগী মমিং লাউথোক্লগনি। ইংলেন্দনা মালটাগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা ক্বালিফাইয়িং মেচ অসিদা মায় পাক্ন নবগীদমক অকনবা মওংদা শেম-শাবগী থবক চঙশিল্লি। মখোয়না মেচ অসিদা ইংলেন্দগী মশক নাইরবা প্লেয়রশিং অহেনবা ট্রেনিং পীদুনা মেচ অসিদা অহোবা অমত্তা লৈতনবা অকনবা চেকশিন-থৌরাংসু লৌখৎলি।

মালটানা অনেম্বা টিম অমা ওইরবসু তরায় তরায়না লৌবদি তৌদ্রি। খুজিন খুনাথোক্তা মালটাগী মখুৎতা মায়থীহৌরবদি ইংলেন্দনা মায় খুগদবা অদু য়েংলগা শেম শাবগী থবক চঙশিনবনি।

অমরোমদা মালটাগা শান্নবা লোইরবা মতুং স্লোভেনিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিসু লুম্না লৌরি। স্লোভেনিয়ানা ফিফাগী রেঙ্কিংদা নেম্না লৈরবসু ফুটবোল মশান্নদা মচিন তুমখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি। মখোয়না ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিগীদমক অকনবা লম্বা তৌনবা প্রেক্টিসশিং চঙশিনবা হৌখ্রবনি। ইংলেন্দসু মায়োক্নগদবা স্লোভেনিয়াবু নক্ষৎলম্নবা অকনবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মমা লৈবাক্কীদমক মায়োক্নবশিং লম্বা তৌনবা লেপ্লি




বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ০২ : ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং মায়োক্নদুনা কথোক্লিবা থৌনা অদুবু নিংশিংদুনা নেসনেল হোকি কেপ্টেন পি আর শ্রীজেসনা থা অসিদা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক পাকিস্তানবু মায়থীবা পীনবগীদমক অরৈবা থৌনা লিংজেন পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা উরি টেরর এটেক্ট থোকখ্রবা মতুং উংখৎনবগী ফীভম লৈরিবা অসি থোইদোকপা পনখিদ্রবসু শ্রীজেসনা হায়খি, থা অসিগী ২০ দগী ৩০ ফাওবা মালেসিয়াগী ক্বাটানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা মহাক্কী টিমনা পাকিস্তানগী মখুৎতা মায়থীদুনা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংবু নিংবা কায়হনবা পামদে। ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী মেচনা মীয়ামবু মতম পুম্বদা ইখৌ লাংহল্লি অমদি ঐহাক্কী টিমনা চাম্মদা চাম্না ফিট ওইনা শান্নবা পামই। ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা ঙাক শেল্লিবা লান্মীশিংনা মীফৎতশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা তত্তনা থৱায়না পোন্থা পীরি। অসিগুম্বা মখোয়গী কথোকপা অদুবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীদুনা হরাউহনবা পাম্মী। ঐখোয়না মায়থীদুনা লান্মীশিংগী মথম্মোয় কায়হনবা পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়া কন্টিনেন্টগী মকোক থোংবদা লৈরিবা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নগদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা ওক্টোবর ২৩ দা মখোয়গী অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ শান্নগনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওই ইন্দিয়া (সাই) গী সেন্টর বেঙ্গলোরদা ট্রেনিং তৌরিবা ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন শ্রীজেসনা মখা তারদুনা হায়, পাকিস্তান্না হৌজিক অনেম্বা থাক্কী হোকি শান্নরি হায়না ঐনা লৌই। অদুবু মখোয়গী লৌশিং অসি মপাঙ্গল কনবনা মতম অমদা হেক্তা মায়োক্নবা টিম অমবু মায়থীবা পীবা ঙম্মী। মসিমক মখোয়গী অখন্নবা তৌবা ঙম্বা শক্তি চেনবননি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা নিপানশুবা পোজিসন তাখিবা ইন্দিয়ন টিমনা মতম খরা পোত্থারুরবা মতুং নেসনেল কেম্প অসিদা অমুক হল্লক্তুনা ট্রেনিং চঞ্থরিবনি।

চয়োল মরি চুপ্পা কেম্প অসি চঙথগনি। ইন্দিয়ানা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী টাইটল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরিবনি। কেম্প অসিদা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা প্লেয়র ২৬ না শরুক য়াদুনা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌরি।

ইন্দিয়ন কেপ্টেন অসিনা হায়, ঐখোয়গী টিম অসি ৱর্ল্ডগী টোপ টিমশিংগা শান্নদুনা লাকপনা পাকিস্তান্দগীদি হেন্না মতীং লৈবা হায়বদু ওইরি। পাকিস্তানদি হন্দক পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

এসিয়াগী ওইনা মতীং থোক্না শান্নরক্লিবা লৈবাক মালেসিয়া অমদি কোরিয়াবু লায়থোক্না লৌবা য়াদ্রি। মখোয়বুসু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ক্রিষ্টিনা প্লিস্কোভানা টাশকেন্ট ওপনগী টাইটল লৌখ্রে, অগনিস্কা রাদৱানস্কানা চিনা ওপনদা মায় পাকখ্রে



টাশকেন্ট, ওক্টোবর ০২ :

চেক রিপব্লিক্কী ক্রিষ্টিনা প্লিস্কোভানা মফম অসিদা চঞ্থরিবা টাশকেন্ট ওপনগী ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জপানগী নাও হিবিনোবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা দব্লিয়ু টি এ টুর্ণামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে।

অমরোমদা অগনিজকা রাদৱানস্কানা বৈজিংদা চঞ্থবা হৌখ্রবা চিনা ওপনগী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজগী ৱাইল্ড কার্দ ৱাং ক্বিৱাংবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টাশকেন্ট ওপনগী ফাইনেল মেচতা প্লিস্কোভানা মরিশুবা সীদেদ হিবিনোবু ৫-৩, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা টাশকেন্ট ওপনগী টাইটল লৌখি। হিবিনোনা টাশকেন্টগী টাইটল অসি অমুক হন্না ফংবা নুপী প্লেয়ল ওইবা ঙম্নবগী শাগৎখিবা মঙ্গান অদু কায়খি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১০০ শুবদা লৈরিবা প্লিস্কোভা অসি ৱর্ল্ডগী ৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কারোলিনা প্লিস্কোভাগা ফাইবোক ওইনা পোকমিন্নবনি। মবানিগী শকফম অসি চপ মান্নবতা নত্তনা মবানিনা পুন্না দবলসতা থোক্তুনা শান্নখিবদা মায় পাকপা য়াওখ্রে।

ক্রিষ্টিনা প্লিস্কোভানা মেচ অদুগী অনীশুবা সেটতা মায়োক্নখিবা জপানগী হিবিনোগী মখুৎতা ২-৬ তা মায়থীখি। অদুবু অহানবা অমদি অহুমশুবা সেটতা হিবিনোবু লাকচনা তৌখিদুনা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ওপন অসিগী দবলসতা রোমানিয়াগী রালুকা ওলারু অমদি টর্কিগী ইপেক সোইলুনা টাইটল লৌখি। মরিশুবা সীদেদ রোমানিয়া-টর্কিগী জুরানা অহুমশুবা সীদেদ নেদরলেন্দসগী দেমী স্কুরস অমদি চেক রিপব্লিক্কী রেনাটা ভোরাকোভাবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা বৈজিংদা চঞ্থবা হৌখ্রবা চিনা ওপনগী অহানবা রাউন্দদা অগনিস্কা রাদৱানস্কানা চাইনিজগী ৱাইল্ড কার্দ ৱাং ক্বিয়াংবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়নননা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদবা এলিট নিপানগী দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদবা মেচ অনীখক্তমক মায় পাক্কদবদা ঙাইখ্রে।

পোল অসিনা বৈজিংগী ওপন অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবদি সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদবা প্লেয়র নিপানগী দব্লিয়ু টি এগী ফাইনেলদা থংন-থংননা তরক্লকশুবা ওইনা চঙবা ঙম্বা ওইরগনি।

হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ডগী মরিশুবা মফমদা লৈরিবা অগনিজকা রাদৱানস্কানা হায়খি, মমাঙ চহীদা ঐনা টিয়াঞ্জিন ওপনদা মায় পাক্তুনা সিঙ্গাপুরগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। অসুম্না হন্দকসু চিনা ওপন অসিদা মায় পাক্তুনা ক্বালিফাই ওইগনি। সিঙ্গাপুরগী ফাইনেল অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইনবগী হোৎনবা য়াবশিং হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কার্লা শৌরেজ নাভারোনা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

## ইন্দিয়ানা এসিয়ন বিচ গেমসগী ভোবিনামদা সিলভর মেদল লৌখ্রে


দানাং (ভিয়েটনাম), ওক্টোবর ০২ : ইন্দিয়াগী দীপা গাৱালেনা মঙাশুবা এসিয়ন বিচ গেমসগী নুপীগী সিঙ্গলস, লোং হো ক্বুয়েন, ভোবিনাম ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

দীপানা ইন্দোনেসিয়াগী মানিক ট্রিস্নগী মখুৎতা ২৬৭-২৭৫ দা থাংজা নুমিৎতা শান্নখিবা ইভেন্ট অদুদা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংখি। য়ুম্বু ভিয়েটনাম অমদি জপান্না পোইন্ট ২৬১ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। ভোবিনাম হায়বা মশান্না অসি খুৎলাই য়াওবা অমদি য়াওদবা অনী পুন্না শেম্বা অদুগুম্বা ভিয়েটনামগী আর্ট অমনি। মসি ভিয়েটনামিজগী মহৌশাগী ওইবা রেষ্টলিং মখল অমসুনি। মসিদা এটেক অমদি দিফেন্স টেক্নিকশিং য়াওনা মায়োক্নবশিংবু লান্দাদুনা খুদুম চনবনি।

ইন্দিয়ানা গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ১৬ পুন্না মেদল ২১ লৌবা ঙমখ্রে। চঞ্থরিবা এসিয়ন বিচ গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২০৮ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনা শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৩ দা অথোই-অহেন তান্নরি।

মেম্বর ১৩ না শাবা দেলিগেসন অমনা শাবা ইন্দিয়াগী ভোবিনামনা হৌজিক ফাওবদা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

# রিও ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিককী কোচনি হায়বা মীওই ৪ চোংথোরক্তুনা অঙকপা পোক্নখ্রে



চান্দিগড়, ওক্টোবর ০২ : রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী মেদল অনী লৌরকখিবা এথলেট অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা সক্সি মালিককীদমক মীওই মরিনা মহাক্কী কোচনি হায়না ক্লেইম তৌরকখিবদগী অঙকপা পোক্নখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী সক্সি মালিকনা রিও ওলেম্পিক্সকী রেষ্টলিং ইভেন্টদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবনি। অদুগা ওলেম্পিক্স অদুগী বেদমিন্টন ইভেন্টদা পি ভি সিন্ধুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

মীওই মরি অদুনা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা সক্সি মালিককী কোচতা মেদল লৌরকপা ঙমহনবগীদমক লুপা লাখ ১০ গী এৱার্দ পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু মখোয়দা পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হরিয়ানা ষ্টেটকী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনিল ভিজনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খি, সক্সি মালিককীদমক কোচনি হায়না থোরক্লিবশিংগী এফিদেবিটশিং এগজামিন তৌরবা মতুংদা মহাক্কী অশেংবা কোচ অদু লাউথোক্লগা এৱার্দ অদু খুৎশিন্নগনি। ঐখোয়গী পোলিসীগী মতুং ইন্না ঐখোয়না এৱার্দ অদু প্লেয়র অদুনা মহাক্কী কোচনি হায়দুনা মমিং ইরকপা মীওই অদুদা পীগনি হায়না ভিজনা ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা পাউগী এজেন্সি অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না সক্সিগী এফিদেবিট ফংলে। মহাক্না পীরকখিবা এফিদেবিট অদুদা কোচ অনীগী মমিং পল্লি। কোচশিং অদুদি ইশ্বার দাহিয়া অমদি মন্দীপ সিংহনি। অদুগা অতোপ্পা কোচ অনী অদুনা কুলদীপ মালিক অমদি রাজবির সিংহনি।

সক্সিনা রিও গেমসদা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না রেষ্টলিংগী কে জি ৫৮ গী কেটগোরিদা মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। মহাক্না ওলেম্পিক গেমসদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর অমনা মেদল লৌবা ঙম্বা অহানবসু ওইখিবনি।

হরিয়ানাগী গভর্ণমেন্টনা হান্না কোচতা পীরম্বা লুপা লাখ ৩ গী শেনফম অদু হন্দক্তা লুপা লাখ ১০ দা হেনগৎলে হায়না লাউথোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সক্সি মালিকতা লুপা ক্রোর ২.৫ অমদি মন্দীপতা লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

সক্সিনা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খট্টারনা কুলদীপকীদমক লুপা লাখ ১০ অমগা পীনবা লাউথোকখি।

স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না সক্সিনা অহানবদা কুলদীপপু মহাক্না লোয়নননা ব্রাজিলদা চৎখি হায়না হায়খি। অদুবু তুংদা মহাক্না অতোপ্পা কোচ ইশ্বারদা শেলগী এৱার্দ পীনবা হায়রকখি হায়না ফোঙদোকখি।

# পি এম মোদিনা ব্রিক্স অন্দর-১৭ ফুটবোলগী ট্রোফি মায়খুম হাংদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০২ : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গোৱাদা ওক্টোবর ৫ দগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ তরাতরুক্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স অন্দর-১৭ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী ট্রোফিগী মায়খুম থাংজ নুমিৎতা হাংদোকখ্রে।

পি এম ওদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স অন্দর-১৭ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী ট্রোফিগী মায়খুম হাংদোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অদুদা এম ও এস (আই/সি) ফোর য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস ভিজয় গোয়েল অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা শরুক য়াখি। ব্রিক্স লৈবাক্কী এম্বেসেদরশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

টুর্ণামেন্ট অসিবু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ-পাউজেল পীখিবগা লোয়নননা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুকয়াগদবা লৈবাকশিংগী মরক্তা মরুপ-মপাং ওইবগী নুংশিনবা অমদি অমগা অমগা হেন্না চেৎশিনহন্নবগী লীপুন অদু পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিনা ব্রিক্স নেসনশিংগী মরক্তা লৈবাকশিং অসিগী নহা ওইরিবশিংনা স্পোর্টসকী লমদা অমগা অমগা এক্সচেঞ্জ তৌনদুনা অনৌবা লেভেল অমদা পুরক্পা ঙম্নবা পান্দম থল্লি।

ট্রোফি মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ব্রিক্স লৈবাক্কী এম্বেসেদরশিং অমদি হায় কম্মিস্নরশিং অমসুং অতোপ্পা দিগানট্রিশিংসু শরুক য়াখি।